# য়েমেন্দা নোংথক্কগী এটেক চথরকখিবদা মীওই ২০ শিখ্রে



দুবাই, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না অৱাং নোংপোক থংবা য়েমেনগী খুঙ্গং অমদা নোংথক্কগী এটেক চথরকপদা লুহোংবগী থৌরম য়াওরম্বা মীওই ২০ শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হজাহদা লৈবা অল জুমহোরি হোস্পিটালগী ওফিসল অমনা রোইটর্সতা হায়খি মদুদি, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ২০ হোস্পিটালদা পুখৎলক্লে। অঙাং ৩০ য়াওনা অশোকপা মীওই ৪৬ সু হোস্পিটালদা পুখৎলকখি।

লুহোংবগী থৌরম য়াওরম্বা মীওই ২০ শিরে হায়বা রিপোর্ট অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা অচুম-অরান খঙদোক্নবা থিগৎলগনি হায়না কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

নোংচুপ লৈবাকশিংনা শৌগৎপা মিলিটরি এল্লাইয়েন্সনা চহী ৩ লোম হুঠি রেবেলশিংগী মথক্তা অকনবা কেম্প্যেন চথুদুনা লাকখিবনি।

অৱাংথংবা য়েমেনগী মফম অয়াম্বা খুদুম চনখ্রবা হুঠি লালহৌবশিং তকথোক্নবা মিলিটরি এল্লাইয়েন্সনা নোংচুপ লৈবাকশিংগী মতেং লৌখিবনি। লালহৌবশিং তকথোকখিনবগী পান্দমদা মিলিটরি এল্লাইয়েন্সনা নোংথক্কগী কয়ারক হন্না এটেক চথুবা লৈখ্রে।

নোংথক্কগী চথুখিবা এটেক্তা শোয়বদগী হোস্পিটাল, স্কুল অমদি কৈথেলদা মীচম চা কয়া শিবা লৈখ্রবনি। খা থংবা য়েমেনগী শরুক অয়াম্বা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা হুঠি লালহৌবশিংগী টেলিভিজন ষ্টেসন অল-মাসিরানা হায়খি, মিলিটরি এল্লাইয়েন্সনা নোংথক্কগী চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই ৪৩ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৫৫ অশোক অপন নংলে। কোলিসন্নদি মীচম তাবা মফমদা এটেক চথুবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক মীওই খরা শিখ্রে হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা অচুম অরান খঙদোক্নবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরে হায়না কোলিসনগী স্পোক্সমেন অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। য়েমেনগী লানদা মীওই লিশিং ১০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ২০ লোম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রবনি।

# অফঘানিষ্টানগী প্রোভিন্স অনীদা চথুখিবা মিলিটরি ওপরেসন্দা টালিবান মিলিটেন্ট তরামরি শিখ্রে



কাবুল, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

অফঘানিষ্টানগী প্রোভিন্স অনীদা চথুখিবা মিলিটরি ওপরেসন্দা টালিবান মিলিটেন্ট ১৪ শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টকখার প্রোভিন্সতা অফঘান নেসনল আর্মিনা চথুখিবা ওপরেসন্দা টেররিষ্ট ৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মঙা অশোক অপন নংখি। য়ুমথংনবা কুন্দুজ প্রোভিন্সতনা অফঘান আর্মি অমসুং ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীগী অপূনবা টিম অমনা চথুখিবা ওপরেসন্দা মিলিটেন্ট ৮ শিখি অমসুং অতোপ্পা মরি অশোক অপন নংখি হায়না দিফেন্সকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা টালিবানগী মরুওইবা কম্মান্দর অনী য়াওই হায়রি।

চৈরকসিদা, মিলিটেন্টশিংনা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা সুইসাইদ এটেক চথুবদা লৈখিদ্রবদা মীওই ৫৭ কী ইমুং-মনুং অমসুং মরী মতাশিংনা টালিবানগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক্তা মীয়াম্না নেসনল আইদেন্টিফিকেসন সার্টিফিকেট লৌনবা পরেং শানা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা এটেক চথরকপদা মীওই ৫৭ শিখিবনি। অহম্মদ অহম্মদি কৌবা মীওই অমনা ফেসবুক্কী খুথাংদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, অফঘান গভর্ণমেন্টনা চরাংনবা ফীভম থোকহন্দুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি লৈতাফম খঙহন্দ্রে। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পাল্লিবা লৈঙাক অসি মায়থিবা পীবা মথৌ তাই।

এপ্রিল ১৪ দগী গোর প্রোভিন্স অমসুং বাদগিস প্রোভিন্সতা লৈবা রেজিষ্ট্রেসন সেন্টরশিংদা ভোটরশিং রেজিষ্টার তৌবা হৌখিবনি। থা ২ গী মনুংদা ওথোরিটিশিংনা পোল্লিং সেন্টর ৭,০০০ দা ভোটর মিলিয়ন ১৪ রোম রেজিষ্টার তৌনবা পান্দম থল্লি।

পার্লিয়ামেন্টরি অমদি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মীখলদা মীওই অয়াম্বা ভোট থাদবা থোরক্তবা য়াই হায়না চিংনরবসু ওথোরিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা ভোটরশিং রেজিষ্টার তৌবগী থৌওং লেপ্তুনা লৌখৎলি।

ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্সন কম্মিসনগী স্পোক্সমেন সাফি জলালিনা হায়খি মদুদি, টালিবানন্না ইলেক্সন রেজিষ্ট্রেসন সেন্টরদা এটেক চথরকখ্রবসু মীখলগী থবক থৌরমশিংদা কা হেন্না অপনবা পীবা ঙল্লোই।

নুমীৎ খুদিংগী সিক্যুরিটি ফোর্সকা মীফম পাঙথোক্তুনা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর খুদিংমক্তা মতিক চাবা সিক্যুরিটি থম্নবা থৌরাং লৌখৎলি। অথুবা মতমদা ভোটর রেজিষ্টার তৌবগী লোইশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা চথরকখিবা সুইসাইদ এটেক্তা মীওই ৫৭ শিখিবনি।

থৌদোক অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) না চথুবনি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈখ্রবনি। ওক্টোবর ২০ দা লেজিসলেটিব ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরবা লৈবাক অসিদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখ্রবসু ইখঙ খঙহৌদনা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথরকখি।

রেজিষ্ট্রেসন সেন্টরগী চঙফমদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশা মথন্তা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথরকখিবনি। সিয়াইট ফুরুপকী মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অদুদা নেসনল আইদেন্টিফিকেসন সার্টিফিকেটকী রেজিষ্টার তৌনবা মীওই কয়া লাকখিবা মতমদা খঙহৌদনা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়রকখি। খোয়শাউন-রবা মীয়াম্না অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি টালিবান মিলিটেন্টশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউকয়া লাউখি হায়না সিটি পুলিসনা ফোঙদোকখি।

# য়ুনাইটেদ নেসন্স: ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়গী খুদোংথিবা হেনগৎলক্লে

জেনেভা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হেনগৎলক্লে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুক্লিয়ার নন-প্রোলিফরেসন ট্রিটি (এন পি টি) গী প্রিলিমিনরি রিভিয়ু মীটিং অমদা য়ু এনগী মকোক থোংবা ওফিসল ইজুমি নাকামিটসুনা হায়খি, মালেমগী মফম অমা নৎত্রগা অমদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই শীজিন্নরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলক্লি।

চহী ৫০ রোমগী মমাঙদা ন্যুক্লিয়ারগী খুদোংথিবা হন্থহন্নবগী পান্দমদা শেমখিবা এন পি টিনা মালেমদা এটোমিক ৱেপন্স পায়বা অমসুং শীজিন্নবা থিংনবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি।

অদুম ওইনমক মালেমদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই পায়বা লৈবাক্কী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা মফম অমা নৎত্রগা অমদা খুৎলাই অসি শীজিন্নরকপা য়াবগী খুদোংথিবা মায়োক্নরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।



কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এন পি টি রিভিয়ু কনফরেন্সকী মাঙওইননা প্রিপরেটরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখিবনি। চহী ১৫ গী মমাঙদা ট্রিটি অসিদগী তোকখ্রবা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার অমদি মিসাইল চাংয়েং মখা তানা পাঙথোক্লরোই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং তৌফম পুন্নমক শিদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নাকামিসুনা নোর্থ কোরিয়াগী ফিরেপ অদু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খি, মখা তানা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই চাংয়েং তৌররোই হায়বা নোর্থ কোরিয়াগী ফিরেপ অসি মপুংফানা শৌগৎফম থোকই।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনসু নোর্থ কোরিয়াগী ফিরেপপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই লৈহন্দবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা উনদ্রিঙৈগী মমাঙদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা বৈজিংদা লোন্না চৎতুনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং উনরগা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই লৈহন্দনবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাং শৌগৎপীনবা হায়জখি।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলগী চীফ স্পোক্সমেন ফর্হান হকনা হায়খি, দেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই থাদোক্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং পুম্নমক মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিং শৌগৎপা মথৌ তাই। মতম কয়াগী মমাঙদগী নোর্থ কোরিয়া অমসুং চাইনানা অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাকখিবা মরম্না কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপদা ৱাশিংতন্না মরুওইবা থৌদাং লৌগদবনি হায়রি।

# পেরিস এটেক্তা চেন্নবা মীওই চহী ২০ জেলদা থম্নবা কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রে

ব্রসেলস, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

কুমজা ২০১৫ দা পেরিসতা চথুখিবা এটেক্তা চেন্নবা অব্দুসলাম অমদি সোফিয়ান অয়ারিবু ব্রসেলসকী কোর্ট অমনা চহী ২০ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

পেরিসকী এটেক্তা মীওই ১৩০ হাৎখ্রবা মতুংদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই কুমজা ২০১৬ কী মার্চতা মশক খঙবা ঙমখিবনি।

ব্রসেলসকী কোর্টনা হায়খি, ফেব্রুৱারি থাদা অব্দুসলামনা ট্রাইয়লদা মশা লাকখ্রবসু অরোইবা ৱায়েল লাউথোকপা মতমদা মশা লাকখিদে। মীওই অসি অৱাংথংবা ফ্রান্সকী জেল অমদা থল্লিবনি। অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ব্রসেলসতা কেস অসিগী হিয়ারিং চথুবা লোইশিনখি। এপ্রিল ৩ দা ইস্লামিক ষ্টেটকী মরুওইবা মীওইনি হায়না চিংনবা অমসুং পেরিস এটেক্তা চেন্নবা মোরোকান অমগী মথক্তা ৱায়েল চথুবা হৌখ্রবনি।



মুরাট কৌবা মীওই অদু টেররিষ্ট গ্রুপ অমত্তগা মরী লৈনদে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট এটেক অমত্তদা শরুক য়াখিবা লৈতে হায়নসু শেংদোকখি।

চিংনবা মীওই অদু কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ৫ দা পোলেনদগী ফাখি। করিগুম্বা কনভিক্সন পীবা থোক্লবদি মীওই অদু চহী ৮ জেলদা থম্বা য়াই। প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরদগী কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ফাওবদা মুরাটনা ইস্লামিক ষ্টেটকা শম্নদুনা মফম কয়াদা এটেক চথুখি।

# লাহোরদা মীওই ৮,০০০ লোম্না খোঙচৎ অমা চৎখ্রে

লাহোর, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা অথিংবা থমখ্রবসু পাকিষ্টানি এথনিক রাইটস গ্রুপ অমনা শিন্দুনা লাহোরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খোঙচৎতা মীওই ৮,০০০ রোম শরুক য়াখ্রে।

অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক্তা পাক শন্না হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা পাষ্টুন টহাফজ মুভমেন্ট (টি টি এম) গী লুচিংবা অমসুং ষ্টুদেন্টস এক্টিভিষ্ট মঞ্জুর পাষ্টিননা মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরি অমসুং ফেদরেলি এদমিনিষ্টর্দ ট্রাইবেল এরিয়াজ (এফ এ টি এ) গী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মকোক থোংবা জেনরেল অমদি বৃগেদিয়ারশিংনা পীবা য়াথং মখা তাবা লান্মীনা ইনলোইদবনি। হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওং চথুনবা য়াথং পীরকপা মতমদা থৌশাদনা লৈথোকপা মথৌ তাই।

কুমজা ২০০৯ অমসুং কুমজা ২০১৪ দা পাকিষ্টান টালিবান এফ এ টি এমগী নোর্থ অমসুং সাউথ ৱাজিরিষ্টান এরিয়াগী মফম অয়াম্বা খুদুম চনখ্রবা মতুংদা মিলিটরিনা পাক শন্না হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওং চথরকখি।



হৌজিকসু ৱাজিরিষ্টান্দা অথিংবা কয়ামরুম থম্বগা লোয়ননা পাউমীশিং মফম অদুদা পাউ লৌবা চঙহন্দ্রি। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা লাহোর পুলিসনা পি টি এমগী মেম্বর মঙা ফারগা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎহন্দনবা খঙহনখি। হিরম অসিগী মতাংদা পি টি এমগী লুচিংবা আলি ৱাজিরনা হায়খি, মীয়ামগী অৱাবদা মপুং ফানা শরুক য়ানবগীদমক লাহোরদা লাক্তুনা এফ এ টি এমদা হৌজিক করি করম্বা থৌদোক থোক্লিবগে হায়বা মপানগী মীওইনা খঙবা ঙমদে।

মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মালেমগী মীপুম খুদিংমক্তা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা অচৌবা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

পুলিসনা এক্টিভিষ্ট মঙা ফারে হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু মমিং মথা অমত্তা ফোঙদোকখিদবগা লোয়ননা করি মরমগী ফারিবনো হায়বদুসু ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিদে।

পনবা য়াবদি, জান্যুৱারি থাদা পুলিসনা করাচিদা নাকিবুলা মহসুট কৌবা পাষ্টুন নহা অমা হাৎখিবগী মতুং তারকপদা পি টি এম লিংখৎখিবনি। ওর্গনাইজেসন অসিবু আর্মদ ফোর্সেসনা কোয়শেন শেন্নদুনা লাকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী আর্মিগী মকোক কমর জাবেদ বাজৱানা হায়খি, লৈবাক্কী মায়োক্তা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপা য়ারোই। করিগুম্বা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপ্পা মীওই থেংনরবদি লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি। পাষ্টিননা শিনখিবা থৌরম অমদা শরুক য়ারুবা লাহোরগী পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা ফেকল্টি মেম্বর ওইবা মীওই অমা থবক্তগী লৌথোকপা লৈখ্রবনি।

# নোর্থ কোরিয়াদা থোকখিবা এক্সিদেন্টতা চাইনিজ ৩২ শিখ্রে



বৈজিং, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

নোর্থ কোরিয়াদা বস এক্সিদেন্ট থোকখিবদা চাইনিজ ৩২ অমসুং নোর্থ কোরিয়ান মরি শিরে হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা চাইনিজ অনী ফীভম থীনা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোরিয়া মেরিটাইম ইনষ্টিট্যুটনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়াদা কোয়রকপা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংগী মনুংদা চাদা ৮০ দি চাইনিজনি। লৈবাক অসিনা টুরিজমদগী দোল্লর মিলিয়ন ৪৪ চহী খুদিংগী তানবা ঙম্মী।

নোর্থ হ্বাংহে প্রোভিন্সতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চাইনিজ দিপ্লোমেটশিং থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌখ্রে।

চাইনিজ ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খি মদুদি, বস অমা থোংদগী ওন্থখিবদা মীওই ৩০ হেন্না শিরে। অতোপ্পা ষ্টেটমেন্ট অমদা চাইনাগী হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, হিদাক লাংথক অমদি অনা-লায়েংদা শীজিন্নগদবা খুৎলায় কয়ামরুমগা লোয়ননা মেদিকেল এক্সপার্টশিংগী টিম অমা নোর্থ কোরিয়াদা থারগনি।

নোর্থ কোরিয়াদা মতম কয়াগী মমাঙদগী চাইনিজ লম কোয়বশিং তোয়না লাকখিবনি। কুমজা ২০১২ দা চাইনিজ ২,৩৭,০০০ নোর্থ কোরিয়াদা কোয়রকখি। কুমজা ২০১৩ গী ওইনদি চপ চাবা মশিং ফোঙদোকখিদে। নোর্থ কোরিয়ানা কয়ারক হন্না ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকখিবগী মতাংদা চাইনানা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবসু লৈবাক অনী মতম কয়াগী মমাঙদগী অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাকখি।

নোর্থ অমদি সাউথ কোরিয়ানা কিম জোং উন অমসুং মুন জাই-ইন উনহন্নবগী মতাংদা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। ইরাই নুমীৎতা লুচিংবা অনী পানমুন জোং খুঙ্গংদা উনরবা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, সাউদি অরাবিয়াগী অল খলাসতা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা বৃটিশ মরি শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১২ অশোক অপন নংখ্রে।

লন্দনদা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী রোয়েল এম্বেসিনা বৃটিশ ফোরেন ওফিসকা খুৎশম্নরগা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোক অপন নংলবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা ইমার্জেন্সি ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমসুং মরী-মতাশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা অথিংবা লৈতনা চৎপা য়াহন্নবগী পান্দমদা ইমার্জেন্সি ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। বৃটেনদা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী এম্বেসেদর মহম্মদ বিন নৱাফনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাদোরকখ্রে।

এম্বেসীগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, বৃটিশ ১৭ লৈখিদবগী মনুংদা মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা নুপী অমা য়াওখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমসুং শোক্লবশিংগী ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি।

# মোগাদিসুদা সোমালি আর্মিগী য়েংথিনবা কাঙলুপ মশেল খুৎ থোক্লখ্রে

মুগাদিসু, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):

কেপিটেল সিটি মোগাদিসুদা সোমালি আর্মিগী য়েংথিনবা কাঙলুপ মশেল খুৎ থোক্লখ্রে।

য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) গী ট্রেনিং সেন্টর ওইরম্বা মফম অমা খুদুম চন্নবা হোৎনরকখ্রবা মতুংদা নাকল অনীমক্তগা খুৎ থোক্লখিবনি।

মমাঙ চহীদা মীখল পাঙথোকখ্রবা লৈবাক অসিদা অপূনবা আর্মদ ফোর্সেস লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা য়েংথিনবা লান্মী মশেল খুৎ থোক্লরকখিবা মরম্না খুদোংথিবা থৌদোক কয়ামরুম থোক্লককপা য়াই হায়না থাজনরি।

অফ্রিকান য়ুনিয়ন্না চথুখিবা মিলিটরি মিসনগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০১৪ দগী য়ু এ ঈনা লান্মী চা কয়া ট্রেনিং পীদুনা লাকখিবনি। ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী ঈহৌ লাকশিনবগা লোয়ননা নোংচুপ লৈবাক্না শৌগৎপা লৈঙাক্কী মতিক ময়াই কনখৎহন্নবগী পান্দমদা য়ু এ ঈনা মোগাদিসুদা মিলিটরি ট্রেনিং সেন্টর অমা হাংদোকখিবনি।

সোমালি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা য়ু এ ঈগী প্লেন অমা মতম খরা ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা দোল্লর মিলিয়ন কয়ামরুম লৌশিনখ্রবা মতুংদা গল্ফ লৈবাক্না সোমালিয়াদা পায়খৎলম্বা থৌরাং লোইশিনখি।

য়ু এ ঈনা ট্রেনিং পীখিবা লান্মী অমনা এজেন্সীদা হায়খি, সোমালি মিলিটরি ফোর্সেসকী মীওই খরনা বেজদা এটেক চথরকপদগী নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবনি। এটেক চথরকপদা শরুক য়াখিবা লান্মী খরা ফাবা ঙম্লে হায়না সোমালি নেসনল আর্মিগী কম্মান্দর, জেনরেল অবদিৱেলি জামা গোরোদনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, য়ুগেন্দাগী মিলিটরিনা হায়খ্রে মদুদি, সোমালিয়াদা চথুবা পিছ কিপ্পিং মিসন হৌজিকসু মখা তানা অদুম্মক চথুরি। কুমজা ২০০৭ কী মতুং তারকপদা পিছ কিপ্পিং ফোর্সনা মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎপা ঙম্লে হায়না য়ুগেন্দান মিলিটরিগী স্পোক্সমেন বৃগেদিয়ার রিচার্দ করেমিরিনা ফোঙদোকখি।

সোমালিদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎলিবা য়ুগেন্দানগী লান্মীশিং খুদোংচাদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়বা রিপোর্ট অমা লোকেল পাউচেদা ফোঙলকখ্রবা মতুংদা মিলিটরি স্পোক্সমেনগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০০৭ তা য়ুগেন্দানা খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা সোমালিদা লান্মী থাদুনা অফ্রিকান য়ুনিয়ন পিছ কিপ্পিং ওপরেসন্দা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। হৌজিকসু লৈবাক অসিগী লান্মী ২২,০০০ সোমালিদা থমদুনা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎলি। পিছ কিপ্পিং ওপরেসন্দা শরুক য়াদুনা লান্মী থারকখিবা অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংদা বুরুনদি, জিবোতি, ইথিওপিয়া অমসুং কেনয়া য়াওরি।

সোমালিদা লান্মী থারকখিবা লৈবাকশিংগী মীফম অমা য়ুগেন্দাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক চথুরিবা পিছ কিপ্পিং মিসন্দা মতেং পাংবীনবা মালেমগী মীয়ামদা আপিল তৌবা লৈখ্রবনি।

SMART TUTORIAL CENTRE

SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE FOR CLASS X & XII SC. (BOSEM & COHSEM)

START ON 10th MAY 2018 (2nd BATCH)

FOR CLASS XI SC. START ON 6th JUNE 2018

20% DISCOUNT FOR FORMER SMART STUDENT & MEGA TEST CANDIDATE 2017-2018

HEMANTA MATHS | E.B inerjit Meitei MATHS | N.BEBEKA SINGH ENGLISH | H.CHINGLEN SINGH ENGLISH | RAJESH ENGLISH | IBOCHOUBA M/M Manipuri

BIRBAL SOCIAL SCIENCE | L.SUNITA DEVI SOCIAL SCIENCE | KUMARJIT SOCIAL SCIENCE | GOPINATH PHYSICS/CHEMISTRY | Sir PRIYOKUMAR CHEMISTRY | Sir MENSUPA PHYSICS | BAACHA, SUSHIL, LANDHONI BIOLOGY

Sub. ALL FACULTY

FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192

HL-P/797/21/3-18/5 (Alt.)

## এদমিসন নোটিস

এনআইএলদি, এসভিএনআইআরটিএআর অমসুং এনআইঈপিএমদিদা মীং চন্নবগী কম্মন ইনত্রান্স টেষ্ট (সী ঈ টি ২০১৮)

**নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর দি লোকোমোটোর দিসএবিলিটিজ (দিভ্যাঙজান)**

বি টি রোদ, বোনহুঘলি, কোলকতা -৭০০ ০৯০,

ঈ পি বি এক্স ফোন: ০৩৩-২৫৩১ ০২৭৯ / ০৬১০ ফেক্স: ০৩৩-২৫৩১ ৮৩৭৯,

ঈ-মেল : mail@nioh.in, ৱেবসাইট: www.niohkol.nic.in

**স্বামী ভিভেকানন্দ নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ রিহেবিলিটেসন ত্রেনিং এন্দ রিছর্স, এস ভি এন আই আর টি এ আর**

ওলাটপুর, পি. ও.: বাইরোই দিষ্ট: কত্তক ওরিষাফোন নং. -০৬৭১-২৮০৫৫৫২

ফেক্স নং. : ০৬৭১-২৮০৫৮৬২ ৱেবসাইট: http://www.svnirtar.nic.in.

**নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর ইম্পাৱরমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ মল্টিপল দিসএবিলিটিজ (দিভ্যাঙজান)**

ইষ্ট কোষ্ট রোদ, কোভালাম পোষ্ট, মুত্তুকাডু,

চেন্নাই -৬০৩১১২, টামিল নাডু, ইন্দিয়া

ফেক্স: +৯১-৪৪-২৭৪৭২৩৮৯, ফোন: ০৪৪-২৭৪৭২১১৩, ২৭৪৭২৪২৩, ২৭৪৭২১০৪ ঈমেল: niepmd@gmail.com

মখাগী কোর্সশিং অসিদা মীং চন্নবা কম্মন এনত্রান্স টেষ্ট (সী ঈ টি ২০১৮) দা শরুক য়ানবা প্রিসক্রাইব ফোর্মদা কেন্দিদেটশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি

১. বেচেলর ওফ ফিজিওথেরাপি (বি পি টি)
২. বেচেলর ওফ ওক্যুপেস্নেল থেরাপি (বি ও টি)
৩. বেচেলর ওফ প্রোসথেটিক্স এন্দ ওর্থোটিক্স (বি পি ও)

গ্রেজ্যুএসন কোর্সশিংগী ইলিজিবিলিটি কোর্সশিং ঃ ১০ + ২ সাইন্স কম্পলসরি ওইবা ইংলিসকা লোয়ননা

(অকুপ্পশিংগীদমক ভিজিট তৌবীয়ু : www.niohkol.nic.in)

davp 38113/11/0002/1819

চেয়রমেন, সী ঈ টি - ২০১৮